ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

মহুদ মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমনা থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা দুকানশিং অমদি বিল্ডিংশিং শাগৎপ্রা হায়না য়েংশিনখিবগা লোয়ননা আই এম সীগী সেনিটেসন ৱর্করশিংগা ৱারী শানখিবা


লামায় ৩

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি হেদক্বার্টরসনা কুমজা ২০১৭-১৮গী ওইনা বেষ্ট ভলন্টিয়র এৱার্দ পীরকখ্রবা লাইশ্রম কুবেরবু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা তরাম্না ওকখিবগী থৌরম


লামায় ৩

মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সাইকল পেত্রোল য়ুনিট হৌদোকখিবগী ২রকশুবা চহীগী থৌরমদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা পর্সনেলশিংবু মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখিবা


লামায় ৩

হেল্থ দিরেক্টোরেট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী মতেংগা লোয়ননা কোঞ্জেং লৈকায় মায়া ক্লবকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থবকশিং এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা য়েংশিনখিবা


লামায় ৬

Vol. 44, Issue No. 222 | ইরাই, মেরাগী ২১ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, November 06, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

**HL Poll**

Q: Wangoi, Lilong, Wangjing-Tentha amadi Saitu AC gi meekhal pangthokkhraba matungda AC sing asida covid-19 paktaknana sandorakkani khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: November tha loirakpada manipurda covid-19 positive oibagi case masing asi 25,000 youragani khanbra ?

Yes 90% No 10%

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৩৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.০১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অস! লোইরেহে!**

- নখোয় অতৈ কেন্দিদেটকী মীটিংদদি মী কৃক কৃক ইন্ননা ফম্বা য়াদেকো !



- মখোয়গীদি কোরোনা য়াওরমনি সার, নৎপীদব্রা?

### হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা মীখলগা মরী লৈনবা অহানবা লেন্দমার্ক জজমেন্ট

# সুরচন্দ্রবু রিটর্ন কেন্দিদেট ওইহনখিবা মীখল হায়কোর্টনা চৎনহন্দনা থল্লগা রামেশ্বরবু এম এল এনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে

### বেষ্ট জজমেন্টনি, অচুম্বা ৱায়েলগীদমক কোর্টপু মতেং পাংজখিবনি : এদভোকেট মোহেন্দ্রো


ময়াংলম্বম রামেশ্বর


এদভোকেট মোহেন্দ্রো


য়েঙ্খোম সুরচন্দ্র

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা লিংলিবা ত্রাইব্যুনেলনা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখ্রবসু ইলেক্সন পিটিসন মায়োক্নরক্লিবা ৩৭-ককচিং এ সীগী য়েঙ্খোম সুরচন্দ্রবু এ সী অসিগী রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনবু হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা মীখলগা মরী লৈনবা কেসকী অহানবা ওইনা পীখিবা লমদমসিগী পুৱারী ওইহৌরগদবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা মহাক্কা লম্বা তৌনখিবদা অনীশুবা ভোট খ্বাইদগী য়াম্না ফংখিবা মীরেপ ময়াংলম্বম রামেশ্বরবু এ সী অসিগী এম এল এনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী শীংথানিংঙাই ওইবা ওর্দর অসি ঙসি কোর্ট অসিগী মরিশুবা জষ্টিস ওইরিবা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মহাক্কী বেঞ্চনা আইটেম নম্বর-১ ওইনা লৌখৎখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী ৱায়েলগী মতুংইন্না লাউথোকখিবনি।

কেস অসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না তাঙ্কক অনী থোক্লা লেপখিবা মণিপুরগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদা ভলনরেবল ওইবা ১৯ য়াওরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা নবেম্বর ৭তা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি মরিগী মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনগী মনুংদা ভলনরেবল ওইবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ য়াওরি।

সী ঈ ও মণিপুরগী ওফিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ৱাঙ্গোই এ সীগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪১গী মনুংদা ৩ না ভলনরেবল ওইরগা ৩৮ নোর্মেলনি। লিলোং এ সীগী ওইনা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৯গী মনুংদা ৬না ভলনরেবল ওইরগা ৪৩না নোর্মেলনি। ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগীনা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩ লৈবগী মনুংদা ভলনরেবল ওইবা ২, ক্রিটিকেল ওইবা ১ য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা পোল্লিং ষ্টেসন ৪০না নোর্মেলনি। সাইটু এ সীগী ওইনা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৭০ লৈবগী মনুংদা ভলনরেবল ওইবা ৮ অমসুং ক্রিটিকেল ওইবা ১৮ য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৪না নোর্মেলনি।

মীখলগী ভোট থাদনবদা খুদোংথিবা থোকহনবা য়াবা হায়বদি ভলনরেবল ওইবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## অনী লৈখিদ্রে, ২২২ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মীওই অনী লৈখিদ্রে, মীওই ২২২ না পোজিটিভ ওইরে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কামজোংদগী মশাগী চহী ৬৬ শুরবা নুপা অমা অমসুং থৌবালদগী মশাগী চহী ৫৪ শুরবী নুপী অমা পুন্না মীওই অনী রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মশীং অসি ১৮৯ শুরে।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২০৭ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ১৫ পুন্না মীওই ২২২ নৌনা পোজিটিভ ওইরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৭০, রিমসতা ২৩, ইম্ফাল ইষ্টতা ২, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২৯, শিজ হোস্পিটালদা ১৬, স্বিসতা ১, সী এম সীদা ২, ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ‘নিংঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা নুমীৎ খরনিদং পোৎফম ফম্বা য়াহনবীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা থা ৮ হেন্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী লাইসেন্স হোল্ডরশিং কৈথেল ফমহন্দনা লৈরক্লিবা অসি নিংঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা নুমীৎ খরনিদং ওইরবসু পোৎফম ফম্বা য়াহনবীনবা পোৎফম ফম্বীশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা পুরানা কৈথেল অমদি ময়াংলং ফিজোই নুপী অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি ৱাই ইবেয়াইমনা হায়খি, মতম শাংনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল লৈঙাক্লা থিংজিনখিবদগী লাইসেন্স পায়বা পোৎফম ফম্বীশিং খুদোংচাদবা অমদি অৱাবা কয়া মায়োক্নুরি। হৌজিক লৈঙাক্লা পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল অমদি মোলনচিংবা হাংবা য়ারবনিনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংসু নিংঙোল চাক্কৌবা মমাঙ ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

HL-B/6509/6,7,8,9,10 Nov.







HL-B/6511/6

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫